# PART IV
# LANGUAGE I
# MANIPURI

*তৌগদবা মওং তাকপা : মখাগীশিংদগী খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাউখুম পীয়ু । (ৱাহং 91 দগী 105 ফাওবা)*

**91.** মখাগীসিদগী প্রোনাওনস্ি –

(1) চাওবনি

(2) ইম্ফালনি

(3) মানি

(4) ফজবনি

**92.** মখাদা পিরিবা ৱাহৈ পরেংশিংসিদগী খ্বাইদগী বেভ্যার য়াওদবা ৱাহৈপরেংদু –

(1) চা থকউ নি

(2) চা থকনিংলগা থকউ নি

(3) চা থকপিগদ্রা নি

(4) চা থকপিয়ু নি

**93.** ট্রেন্দা চৎমিন্নরিবা মীশিংগী মরক্তা নহাক্না থোংনাও মনাক্তা ফম্বা মী অদুদা থোংনাওদু লোনশিনহন্নিংই । নহাক্না করম হায়না হায়জদগে খন্দোকউ ।

(1) থোংনাও লোনশিনবীয়ু

(2) থোংনাও লোনশিনবীগদ্রা

(3) থোংনাওদু অমুক্তা লোনশিনবীবা য়াগদ্রা

(4) থোংনাও লোনশিনলু

**94.** মতমগী ৱারি-ৱাতাইসি পারগা/অচুম্বা খন্দোকউ

চাওবা : ৱারিদু ওইনা পাবীগদ্রা ?

তোম্বা : অহোই ।

চাওবা : অহোই হৌবিরো ।

(1) অতোপ্পা লোনগী থবক পিবনি

(2) লোনগী মথৌগা বেভ্যারগা মরিনি

(3) বেভ্যার লৈনা পানবা হায়বনি

(4) তোম্বনা হায়বদু খংলবনি

**95.** মখাগী ৱাহৈ পরেংশিংদগী এডভার্ব য়াওবা ৱাহৈ পরেংদু –

(1) ঙরাং ঐখোয় কৈথেল চৎলি হায়বসিনি

(2) মীরানা তপ্না চৎলি হায়বসিনি

(3) জোন্না ৱাখল খল্লি হায়বসিনি

(4) নহান নোং তাই হায়বসিনি

**96.** মনিপুরিদা Tense/Aspect তাকপসি –

(1) Adverb of time অমসুং য়াওফমননি

(2) ৱাহৈনা তাকপনি

(3) খোম্থোক্লা তাকপনি

(4) পেরাগ্রাফননি

**97.** (১) তোম্বা ঙরাং চাক চাখিদবনি ।

(২) তোম্বা ঙরাং চাক চাখিবনি।

ৱাহৈ পরেং অনিসিগী থোন্নবসি করিনা ওই –

(1) ৱাহৈ পরেং মথং-মনাও থেন্নবগীনি

(2) অনিসুবা ৱাহৈ পরেংদা নেগেতিপ এলিমেন্ট (negative element) অমা য়াওদবগীনি

(3) ভার্ব হোংবগীনি

(4) পেসিভ ৱাহৈ পরেং ওইবননি

**98.** করম্বা জুরানা "Cognitive Style" গী মখলনো ?

(1) একতিভ ওইবা/পেসিভ ওইবা

(2) পুন্না য়েংবা/মচেৎ খাইদোক্নুনা য়েংবা

(3) হন্দোকপা/মশাগী ওইবা

(4) থম্মোইগী ওইবা/ওইবা য়াবা

**99.** Portfolio অমসুং লোন তম্বগী অথং-খংদা খংদোকপসি

(1) টর্ম খুদিংগী তৌবা চিলহায়গী (oral) চাংয়েংনি

(2) অকক্নবা তম্বিবগী মতম অমা লৌরগা মহৈরোইশিংনা কয়াম খংলবগে উৎপা খোমজিনবা থবকনি

(3) টর্ম খুদিংগী ওঝানা মহৈরোইশিংগী মত্তং-মতৌ ইশিন্দুনা থম্বা রেকোর্ডনি

(4) মরক-মরক্তা তৌবা চাংয়েংনি

**100.** পারিঙৈদা খংদোকপা (to decode) হায়বসি

(1) অরুবা পোৎ অমা খংনবা পাম্বৈ পিবনি

(2) খাইদোক্নুনা য়েংবা অমসুং খংনবা হোৎনবনি

(3) মপানগী লোন খংনবনি

(4) ICT দা শিজিন্নবা থবক অমনি

**101.** নমা কদাইদা চৎপ্রা ?

নমা কদাইদা চৎখিবগে ?

মথক্কী ৱাহৈ পরেং অনিসি –

(1) অহান্বনা চুম্মী

(2) অনিশুব্বনা চুম্মী

(3) অনিমক চুম্মী

(4) অম ফাওবা চুমদে

**102.** ইৱদা মওং চুশিন্ননা ইবগী মওংসি

(1) ৱাহৈ চিংখদনা ইবনি

(2) এডজেকতিভনি

(3) ৱাহৈ থিবনি

(4) ফ্রেজনি

**103.** অইবা পোৎ অমা য়াম্না তেনবা, মপুং-ফানা Third person দা ইরগা পোৎতুদগী হায়দোক্তনা, অৱা-নুংঙাইগী ৱাখল য়াওদনা মথং-মনাও নাইনা ইবসি –

(1) মেমোরেন্দমনি

(2) রিপোর্টনি

(3) খবরগী আর্টিকলনি

(4) মখন খায়দোকপা খংনবা উৎপশিংনি (Classical advertisement)

**104.** সূর্জগ্রহণ (solar eclipse) কৈদৌঙৈনো ? হায়বা ৱাহংসি

(1) প্রজেন্ট টেন্সনি

(2) ফিউচর টেন্সনি

(3) প্রজেন্ট কোন্টিন্যুসনি

(4) পাস টেন্সনি

**105.** NCF 2005 (3.1.4.) গী অয়াবা পিবগী (Recommendations) গী মতুং ইন্না স্কুলশিংনা পাবা ইবগী লমশিংদা অককনবা মিৎয়েং দরকার লৈতে, মসি মরু ওইনা –

(1) ইমারোননি

(2) হিন্দিনি

(3) অতেপ্তো লৈবাক্কী লোনশিংনি

(4) ইংলিশনি

*তৌগদবা মওং তাকপা : পীরিবা ৱারেং মতেক অসি পারগা খ্বাইদগী চানবা পাউখুম পীয়ু ।*
*(ৱাহং 106 দগী 114 ফাওবা)*

### মণিপুরী সমাজদা নুপীগী মফম

"ঐখোয়গী ইরক অসিদা মায়কৈ কয়াদা সামাজিক, অর্থনীতি, রাজনীতি অমসুং মোরেলগী মায়কৈদা অফবা-ফত্তবা কয়ামরুম লৈরিবসি কুপ্না মুন্না নৈনবা, থিজিনবা কনবা, চেকশিন্না থবক পায়খৎপা, বুদ্ধি তানা ৱাখল খনবা অমসুং মীচং-মীখাই নাইদনা ধর্ম্ম বিচার তৌবা চঙই । অদু নত্তদুনা, অচুম্বা পোৎশকশিংবু তৌবা য়াবা খরচ কয়া তৌদুনা থিজল্লগা ফংলক্লিবা অচুম্বা অদুগী মতুং ইন্না থবক চথদ্রবদি থাঙ্গৈশেংনমক ঐখোয়গী ইরৈবাক, ঐখোয়গী ধর্ম্ম - ইজাতিগী ওইবা থৌরম পুন্নমক ঐখোয়না মাংহঞ্জবা ওইগনি ।" – মহাত্মা গান্ধীনা অসুম্না তাকপীরমই ।

ইরৈবাক, ইজাতি অমসুং ঐখোয়গী সমাজ চাওখৎনবগীদমক ইরৈবাক্কী ফিভম, ইজাতিগী মওং অমসুং সমাজগী চপ চাবা মশক মওং থিজনবা, নৈনবা অমসুং চপ চাবা অচুম্বা ফিভম অদু ফংনবা নৈনবা, য়েংশিনবা চঙই । মণিপুরী সমাজগীসু অসি মঙাই । মণিপুরী সমাজ চাওখৎনবগীদমক, মণিপুরী সমাজদা মণিপুরী নুপীশিংগী ফিভম শেম্নবগীদমক মণিপুরীশিংনা, থোইদোক হেন্দোক্না মণিপুরী নুপীশিংনা মখোয়গী ওইরিবা ফিভম, ফিরেপ করিনো হায়বসি নিংথিজনা থিজিনবা তাবনি । অদুবু থিজিনবা অমসুং পুখোকপগী থবক অসি অরায়বা থবক নত্তে । অদুগীদমক্তা মণিপুরী সমাজগী থাকসু মণিপুরী নুপীগী

লৈরিবা মফম অসিনা লেপকদৌরিবনী । মতাং অসিদা ফ্রান্সকী অফাওবা লাইরিক ইবা অমনা হায়খিবা ৱাফম অমা নীংশিংবা অমসুং পনবমক য়াই মদুদি – "নহাক্লা জাতি অমগী মওং মতৌ ফিভম করম তৌবগে হায়বদু হায়হন্নীংলবদি জাতি অদুগী নুপীগী ফিভম অমসুং মওং মতৌ হান্না ঐঙোন্দা হায়খো ।" থাঙ্গৈশেংবমক মসি অচুম্বনি; জাতি অমগী নত্রগা লৈবাক অমগী শকফম অসি জাতি নত্রগা লৈবাক অদুগী নুপীগী লমচৎ শাজৎ অমসুং সমাজ অদুদা মখোয়না ওইরিবা ফিভম অদুনা তাকই ।

অহানবদা "মণিপুরী সমাজ" হায়রগা মসিগী মখল মখা অয়াম্বা অর্থ কয়ামরুম লৈরবসু হন্দক্কী খন্নরিবা ৱাফম অসিগী ওইনদী চাউরাক্লা ঐখোয়না অসুম্না লৌসি মদুদি "মণিপুরী সমাজ" হায়বসিদা মণিপুরদা লৈরিবা মখল মখা অয়াম্বা জাতি, বিজাতিগী অপুনবা মীয়াম অসিগা লোয়ননা মণিপুরগী সংস্কৃতি, অর্থনীতি, রাজনীতি সামাজিক, শিক্ষা অমসুং য়ুম্বান কৈবানগী পুন্সি ময়াম অসিনা পুনসিল্লগা সমাজ অসি শেমলিবনি ।

**106.** সমাজ অমগী অর্থনীতি, রাজনীতি অমসুং মোরেল ফগৎনবা করি তৌবা তাই ?

(1) অফবা ফত্তবা কয়ামরুম নৈনবা তাই

(2) চেকশিন্না থবক পায়খৎপা তাই

(3) সামাজিক, অর্থনীতি, রাজনীতি অমসুং মোরেলগী মায়কৈদা লৈরিবশিং অসি নিংথিনা বুদ্ধি তানা মীচং-মীখাই নাইদনা বিচার তৌদুনা থবক তৌবা তাই

(4) সামাজিক অমসুং অর্থনীতি নৈনবা তাই

**107.** ঐখোয়গী ইরৈবাক, ধর্ম্ম ইজাতিগী ওইবা থৌরম করম্না কনগনি ?

(1) থিজল্লগা ফংলকলিবা অচূম্বদা খরচ তৌগনি

(2) ঐখোয়গী ধর্ম্ম ইজাতিগী ওইবা থৌরম কনগনি

(3) মহাত্মা গান্ধিনা হায়রম্মী - "ঐখোয়না অচুম্বগী মতুংইন্না থবক চত্থবগা লোয়ননা ইরৈবাক্কী ধর্ম্মগী অচূম্বা মওংদা থবক তৌগনি"

(4) অচুম্বা পোশকশিংদা খরচ তৌগনি

**108.** ইরৈবাক ইজাতি অমসুং সমাজ চাওখৎনবগীদমক করি তৌগনি ?

(1) ইজাতিগী চপ-চাবা ফিভম য়েংশিনবা চঙই

(2) চপ-চাবা অচূম্বা ফিরেপ য়েংশিনগনি

(3) সমাজ ইরৈবাক, ইজাতি অমসুং সমাজগী ফিভম, মওং অমসুং সমাজগী মওং থিজিনবা, নৈনবা, অচুম্বা ফিভম ফংনবা নৈনদুনা য়েংশিনগনি

(4) সমাজ চাওখৎনবগীদমক ইরৈবাক্কী-ফিভম নৈনবা তাই

**109.** মণিপুরী সমাজদা নুপীশিংগী ফিভম শেম্নবা করি তৌগনি ?

(1) মণিপুরী নুপীশিংনা মখোয়গী ওইরিবা ফিভম, ফিরেপ করিনো হায়বসি নিংথিজনা থিজিনগনি

(2) নুপীগী ফিরেপ থিজিনগনি

(3) সমাজদা নুপীগী ফিভম শেমগনি

(4) নুপীশিংনা মখোয়গী ফিভম থিজিনগনি

**110.** মণিপুরী সমাজগী থাক অমসুং মণিপরী নুপীগী মফম করম্না লেপকনি ?

(1) জাতিগী ফিভম নুপীনা তাকই

(2) মণিপুরী নুপীগী লমচৎ, শাজৎ অমসুং সমাজ অদুদা মখোয়না ওইরিবা ফিভম অদুনা লেপই

(3) সমাজগী অচুম্বনা লেপকনি

(4) সমাজগী থাকসু নুপীগী ফিভমনা তাকই

**111.** মণিপুরী সমাজ হায়রগা করিবু খঙনগনি ?

(1) মখল মখা অয়াম্বা জাতিশংবু খঙনগনি

(2) মণিপুরদা লৈরিবা জাতিশিং, বিজাতি অমসুং অপূনবা মীয়ামবু খঙনগনি

(3) মীয়ামবু খঙনগনি

(4) বিজাতি অপূনবা মীয়ামবু খঙনগনি

**112.** মণিপুরী সমাজদা করম করম্বা মী লৈবগে ?

(1) মখল মখা অয়াম্বা মণিপুরদা লৈবা জাতি অমসুং বিজাতি অপূনবা কয়ামরুম লৈ

(2) মখল মখা অয়াম্বা জাতি লৈ

(3) মণিপুরদা জাতি খরা লৈ

(4) মণিপুরদা বিজাতি মীয়াম লৈ

**113.** ফ্রান্সকী অইবনা জাতিগী নুপীগী মওং মতৌ করম্না তৌগনি হায়বগে ?

(1) "জাতি অমগী মওং মতৌ, নুপীগী ফিভম অমসুং মওং মতৌ হান্না ঐঙোন্দা হায়খো" হায়খি

(2) নুপীগী ফিভমনা ওইগনি

(3) জাতি অমগী নুপীগী শাজৎনা ওইগনি

(4) সমাজগী ফিভমনা ওইগনি

**114.** মণিপুরী সমাজ করম্না শেমই ?

(1) অর্থনীতি অমসুং রাজনীতিনা সমাজ শেমই

(2) শিক্ষানা সমাজ শেমই

(3) মণিপুরদা লৈরিবা জাতিশিং, বিজাতি মীয়াম, মণিপুরী সংস্কৃতি, অর্থনীতি, রাজনীতি, সামাজিক শিক্ষা, য়ুমবান-কৈবানগী পুন্সিময়াম অসিনা পূনিশিল্লগা সমাজ শেমই

(4) মণিপুরী সংস্কৃতিনা সমাজ শেমই

***তৌগদবা মওং তাকপা:*** *পীরিবা শৈরেংসি পারগা খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীয়ু । (ৱাহং 115 দগী 120 ফাওবা)*

### পুন্সিবু অথোইবা ওইহন্নবা

থাপ্পা উরিবা চীং অসি ওম্থোক্লা ফজৈদা ।
নৌনী পূক্লিং হুনা নীথিদা
ঈংনা নীক নীক লাউইদা ।

শংবান্নবা অতিয়ামকপুসু নম্হৎলিদা ।
মসি শংবান্নবা অতিয়াগা শম্নখ্রবরনে ?
অমুক্তং য়েংঙুরবদা,
মীৎফম হোংবা য়াদেদা;

# PART V
## LANGUAGE II
## MANIPURI

*তৌগদবা মওং তাকপা : খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু । (ৱাহং 121 দগী 135 ফাওবা)*

**121.** ইংলিশ সিলেবসতা মী ৱারিশান্নবা (dialogue) ইরগা য়াওবসি মরু ওইনা —

(1) গ্রামার নিয়ম চপ-চাব্রা য়েংনবনি

(2) ৱারি-ৱাতাই শান্নবগী হৈ-শিংবা (conversation skill) য়েংনবনি

(3) ৱাখল শাগৎপা (creativity) য়েংনবনি

(4) ইবদা থুনা চাংয়েং য়েংনবনি

**122.** তম্বিরিবদু তম্বা নত্তে (what is taught is not what is learnt) হায়রিবসি —

(1) মহৈরোইশিংনা পংখন-খন্নবা (informal discussion) মতমদা পুক্লিং চিংশিনলি হায়বনি

(2) মহৈরোইশিংগী লন-থুমগী ফিভম ওঝাশিংদগী য়াম্না হেন্না খেন্নে হায়বনি

(3) মহৈরোইশিংগী তোঙান-তোঙানবা মগুণ মীওইবগী খেন্নবা অমসুং মখল কয়াগী লমদগী (background) লাকপনর্নি হায়বনি

(4) ওঝা নত্রগা মহৈরোইসিংনা সবজেক্ট অমগী খুদিংমক খংবসি ওইথোক্তে হায়বনি

**123.** মরু ওইবা ৱাখল্লোনগী ৱাহৈপরেংগী হিরম (topic) না তাকপসি —

(1) ৱা ঙাংবননি

(2) পেরাগ্রাফননি

(3) ৱারি ৱাতাই শাবননি

(4) রচনাননি

**124.** Constructivism হায়বসি মহৈরোইশিংনা —

(1) মখোয় মশানা তানজবা গ্যানদা য়ুমফম ওইরগা পৃথিবীগী গ্যান খংনবা হোৎনবা অমসুং তানশিনবা গ্যানসু তাকপদা য়াওবদুনি

(2) মখোয়শিংসিবু ওঝাশিংনা য়োকখৎপিবা, মখল কয়াগী মেডিয়া শিজিন্নবগা থিজিন-হুমজিনবা (research) অদুগা মখোয়-মশাগী ওইবা থিওরি (theory) শাগৎপনি

(3) মখোয় মশাগী ওইবা তম্বিবগী মতেং (learning aids) শাগৎলগা মশাগী ওইবা খংজবদুনি

(4) তোঙান-তোঙানবা মখল কয়াগী সেম্পল ঔইরাইবা অদুগা ফজনা শেমগৎলবা ৱারোইশিন পুরকপনি

**125.** ইন্সিট্টিুসন অমগী মনুংদা লাইরিক তম্বগী মচাকশিংগী শরুক ফংবা ঙমহনবা কম্যুনিকেসন টেকনোলোজিদু

(1) INTRANET নি

(2) DELNET নি

(3) ERNET নি

(4) INTERNET নি

**126.** Virtual reality হায়বসি —

(1) ভিডিও কোনফরেন্সিং নি

(2) কমপ্যুটরনা পুথোকপা য়াম্না অৰাংবা থাক্কী ৰাখন্দা ফাওহনবা য়াবা খুৎলাইনি

(3) ভিডিও ডিস্কনি

(4) টেলিফোন কোনফসেন্সিং নি

**127.** কমপাওন্দ ৱাহৈগী খুদমসি —

(1) মখোয়নি

(2) তোম্বনি

(3) খংনি

(4) চিনহায়নি

**128.** মথাগী ৱাহৈপরেংশিংদগী এডজেকতিভ য়াওবা ৱাহৈপরেং করম্বনো ?

(1) ঐ ঙরাং স্কুল চৎত্তে হায়বসিনি

(2) অঙাংদু নুংঙাইনা তুন্নি হায়বসিনি

(3) তোম্বি মশক ফজবী নুপীনি হায়বসিনি

(4) তোম্বনা মমা নাবা য়েংবা চৎলি হায়বসিনি

**129.** লোন খংবা (Language acquisition) হায়বসি —

(1) গ্রামার খংবা অমদি হন্না-হন্না ৱাহৈশিং পাবগী পথাপ নাইবা নিয়ম চংই

(2) মশাগী লোন অমসুং অনিশুবা লোন তম্বদা মহৌশানা পিথোরকপা মীওইবগী পোকপদা য়াওরকপদু (innate capacity) শিজিন্নদুনা তম্বদুনি

(3) অঙাংশিংনা মশাগী ফিভম ৱাংখৎহনবদা শিজিন্নবা মওংনি

(4) চিনফা পুবা অমসুং দরকার লৈবা ৱাহৈশিং শিজিন্নবনি

**130.** NCF 2005 কী মতুং ইন্না তম্বিবগী পান্দমসি নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন তম্বিনবা পাম্মে পিবা অদুগা লাইরিক তম্নগা গ্যান লৌশিনবসি

(1) I লোন (first language) গীনি

(2) III লোন (third language) গীনি

(3) ক্লাসিকেল লোন (classical language) গীনি

(4) II লোন (second language) গীনি

**131.** কোমপ্লেকস ৱাহৈপরেংগী খুদমসি –

(1) নোং কন্না তারে হায়বসিনি

(2) ফমুংদা অঙাং তুল্লি হায়বসিনি

(3) ঙরাং লাক্লম্বা নুপাদু অমুক লাক্লে হায়বসিনি

(4) মীরা চাক চারি হায়বসিনি

**132.** সবজেক্তা মপুং ওইনা তম্বিবগী মওং (A subject centred-approach) হায়বসি তম্বগী খংলকপশিংদু –

(1) ওঝাগী সবজেক্ট খংবদা লৈ

(2) সবজেক্টকী মচাক্তা লৈ

(3) লাইরিক্কী টেকনোলোজিদা লৈ

(4) মহৈরোইগী অপাম্বদা লৈ

**133.** চাংয়েংগী মতাংদা লেপ্পসি (criteria) –

(1) ৱাহংশিংদা য়েনথোক্লবা মার্ক ননি

(2) ময়াম্না খংন্নবা মহৈরোইগী অঙ হ্বা চাংননি

(3) ওঝাগী মথা পোল্লে

(4) চাংয়েংগী নিয়মননি

**134.** 'flow' হায়বা ৱাহৈসিদা 'ow' গী phonetic transcription সি

(1) /ew/ নি

(2) /au/ নি

(3) /ou/ নি

(4) /eu/ নি

**135.** পারিঙৈদা গ্যানগী হৈশিংবা (skills) খোমজিনবসি

(1) নোট শেম্বনি (note-making)

(2) সুপচিনবনি (summarising)

(3) কমপ্রহেনসননি (comprehension)

(4) নোট লৌবনি (note-taking)

*তৌগদবা মওং তাকপা : মখাগী ৱারেং মতেকসি পারগা ৱাহংশিংসিগী (ৱাহং 136 দগী 141 ফাওবা) খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাউখুম পীয়ু ।*

জ্ঞান হায়বসিনি মীওইবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরল । মসিবু ফংনবা মীওইবনা লাইরিক তম্লে, নৈনৈ, অখঙ-অহৈশিংগী মনাক্তা ফম্লে । অদুবু হায়রিবসি মীওই অয়াম্বগী লাইবক্তদি থোক্তে । হিংনবগী লানফমদা সমাজগী অয়াম্বা মী, লাইরিক তম্বা ঙমদে, অখঙ-অহৈশিংগী মনাক্তা ফম্নবা শংদে । অদুনা লাইরিক হৈব-হৈতবা থিদনা মীপুম খুদিংমক হীরম কয়া কয়াদা য়াম্না নুঙাইহনবগা লোয়ননা মীৎ-মায় পাঙনবা,

জ্ঞান তাহন্নবা হোৎনবগী খ্বাইদগী ফবা উপাইদি লীলাতনি । লীলা মখল মথেল লৈরিবশিংসিগী মরক্তসু শুমাঙ লীলানা খ্বাইদগী জুগোৎ চাবা অরায়বা পাৱৈনি । মরমদি শুমাঙ লীলা হায়বসিদি শুমাঙ লমদা অমদা নত্রগা লমহাং অমদা পোৎচঙ থোইনা য়াওহন্দনা, চৌকি অমা অনীদং পুথোক্লগসু অদুমক মপুঙ ফানা ফজনা শান্নবা য়াই । মতাং অসিদা নাতৈ চানদ্রবসু পনজনীংবা খরদি মীৎ থকপা, মীৎকী কুম্মৈ ওইবা পোৎলম অমত্তা শুকয়াও য়াওদনা অদুক য়ামখ্রবা ভাবোকপু পুং অহুম-মরি চুপ্পা নুংঙাইবা ঈপাক্তা তাউহন্দুনা থম্বা ঙল্লিবা শুমাঙ লীলাগী আর্টিষ্টশিং অসিগী হৈ-শিংলবা রস চেল্লবা ৱাহৈ-ৱাতা, শাথেক-শাওং ফীরেপ অসিনচিংবা অসিবু থাগত্তনিংঙাই লৈতে । অদুগা অমনা হৌজিক হৌজিকমক নোংচুপলোমদগী কল্লবা ঈরাঙগা লোয়ননা ফুগৎলক্লিবা 'এক্সপেরিমেন্টল প্লে', অমদি 'সিম্বোলিক প্লে' হায়বনচিংবা পূম্নমকসি মৈতৈ শুমাঙ লীলা য়েংলুরদি ভাবতা, মওংদা হাইফেত্তং খেৎনবা য়াওরবসু মণিপুরদদি হান্নদগী অদুম লৈরক্লমাল্লে হায়নিংই ।

কনাগুম্বনা হায়বা য়াই, অহৈবা অফবা মীনা বক্তৃতা (লেকচর) তৌরগসু মীওইববু মীৎ-মায় পাঙহনবা অমদি মতমগী ওইবা জ্ঞান কয়া তাহনবা ঙম্মী হায়না । চুম্মী অদুবু মদুদা হায়নিংবদি বক্তৃতা অদুনা মীওইবগী বুদ্ধি অদুগা থম্মোইবুদি মকা লামহনবা য়াইদি হায়ববু থম্মোইখোন্না নুংঙাইহনবগী শরুক্তি পোকহনবা ঙমদে । লীলাদদি মানসিক, আধ্যাত্মিক য়াকায়হনবগা লোয়ননা ইন্দ্রি কয়া য়াওনা পূক্লীং তানা নুংঙাইবগী শরুকসু পী । অদুননি বক্তৃতাদগী লীলানা পাঙ্গল কনবা হেল্লিবা । হায়রিবা ৱাফম অসিননি লাইরিক তম্ফম শঙদগী ফাওবা মমুৎ তানা জ্ঞান তাহনবদি লীলানদুম হেল্লি হায়না হায়নবা য়াওরিবসি । মসি হৌজিক চাওখৎলে হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী ইতিহাসনা সাক্ষী অদুম ওইরিবনি । খুদম ওইনা অমখক্তং পল্লবদা রাশিয়াগী জারনী ।

**136.** জ্ঞান হায়বসি মীওইবগী করিনো ?

(1) মসি মরুপনি

(2) মীওইবগী খ্বাইদগী মরুওইবা লননি

(3) মসি অচৌবা গুণনি

(4) মসি মীওইবগী মরলনি

**137.** জ্ঞান ফংনবা করি তৌনৈ ?

(1) অখঙ-অহৈগা নৈনৈ

(2) অখঙ-অহৈশিংগী মনাক্তা ফম্নৈ

(3) জ্ঞান ফংনবা লাইরিক তম্নৈ, নৈনৈ অমসুং অখঙ-অহৈগী মনাক্তা ফম্নৈ

(4) লাইরিক তম্নৈ

**138.** মীওই খূদিংনা লাইরিক তম্বা করিগী ঙমদ্রিবনো ?

(1) অখঙ-অহৈশিংগী মনাক্তা ফম্বা শংদবননি

(2) লাইরিক তমদবননি

(3) মীওই অয়াম্বগী লাইবক্তা থোক্তে

(4) হিংনবগী লানফমদা অয়াম্বা মী লাইরিক তম্বা ঙমদে

**139.** জ্ঞান তাহন্নবগী খ্বাইদগী ফবা উপায় করিনে ?

(1) লাইরিক হৈতবদা জ্ঞান তাহল্লী

(2) বক্তৃতানা জ্ঞান তাহল্লী

(3) মসিনা মীৎ-মায় পাংনবা উপায়নি

(4) লীলানা মীপূম খূদিংদা খ্বাইদগী ফবা জ্ঞান তাহন্নবা উপায়নি

**140.** শুমাং লীলানা অথকপা য়াওদনা মীয়ামবু নুঙাইবা ঙমহল্লিবগী মরম করিনো ?

(1) শুমাং লীলাদা কুম্মৈ ওইবা পোৎ য়াওদবননি

(2) শুমাঙ লীলাগী আর্টিষ্টশিংগী রস চেল্লবা, ৱাহৈ-ৱাতা শাথেক-শাওংননি

(3) আর্টিষ্টশিংননি

(4) মীৎ থকপা পোৎ য়াওদবননি

**141.** শুমাং লীলা কদায়দা শান্নবা য়াবগে ?

(1) লমহাংদা শান্নবা য়াই

(2) শুমাং লীলাসি শুমাঙ নত্রগা লমহাংদ চৌক্নি অমা অনি পুথোক্লগসু মপুঙ্ ফানা ফজনা শান্নবা য়াই

(3) পোৎচং য়াওদনা শান্নবা য়াই

(4) শুমাংদা শান্নবা য়াই

***তৌগদবা মওং তাকপা :*** *ৱারেং মতেক অসি পারগা খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীয়ু । (ৱাহং 142 দগী 150 ফাওবা)*

ঐখোয় মৈতৈগী মিনুংশি হায়বা ৱাহৈ অসি মীওইবগী পুকচেনগী মরক্তা ওলাংথাগী য়াচংবদা শাৎপা লৈরাং মালিকাদগীসু হেন্না থোৎলবা পুকচেন্নি । মসিনা মীওইবগী থম্মোইদগী হেক চেম্থরকপা মতম অদুদা মীওইবনা কল্লক য়েক্লবা অশাওবনচিংবগী ৱারম পুম্নমক কাউদুনা মতম খরদি লাইরৈপাক্তা পোক্লবা জীবগী মওং ওই । মসিগা নুংশিবগা তিন্নদে; নুংশিবনা নুংশিবগী মফমদা থোক্তবদা চান্নবগী খুদোল কৎপা অসি মহৌশানা তৌনিংদে । ঐবু নুংশিবা মী অদুবু ঐনা নুংশিবা ঙম্মি । তৌইগুম্বসুং অতোপ্পবু কনানা মরম লৈতনা নুংশিরুবা ঙম্বগে; শক-গুণনচিংবনা লৈতেংবা মী উরগা মহৌশানা ঐখোয়গী পুক্লিংদ নুংশিবা পোকই । তৌইগুম্বসুং শক-গুণ য়াওদ্রবা নুংশিফম মরম অমতা থোক্ত্রবা মী অদুদা কনানা নুংশিবগী কোলোই শক্লিংবগে । মাসিগা থৌজানগসু থৈন্নে । থৌজান্না মহৌশানা থৌজানবদা মতিক চাবা মফমদা থৌজানগী পাম্বোম তিংথোক্তুনা কোনবা

পাম্মি । থৌজান্না মতম পুন্নমক্তা চেন্দবা ঈশিংগুম্না থৌজান হৈবা মীগী থম্মোইদা তুংদুনা লৈবতনা মথৌ ওই । তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী মিনুংশি হায়বা অসিদি থাঙ্গৈশেংবমক নোংনা মমখ্রবা অহিংদা নোংথাং কুপ্পনা লম্মাংনরবা লংফৈ চৎপা মীদা কান্নবগুম্বনি । মসিগা চান্নবগসু মান্নদে । চান্নবা হায়বা অসিনা তোৎনরকপদগী পোক্লকই । চান্নবনা চান্নবগী লেঙ্গোন্নবা চিনগা চিনগা, পাম্বোমগা পাম্বোমগা, মায়গা মায়গা, মিৎকা মিৎকা, তিন্নরগদা নুংঙাইনৈ । তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী হন্দক্কী মিনুংশি হায়বা পুকচেল অসিদি তোৎনবসু থিদে, তিন্নবসু ঙাইদে । লমলানববুসু চান্নবা মরুপকুম্না কোন্নবা পাম্মী । মসি থাঙ্গৈশেংবমক নৌবদগীসু নৌরবা, থোৎপদগী থোৎলবা ওলাংথাগী মাকমৈদা শাৎলবা লৈরাং মালিকাদগীসু হেন্না লুরবা পুকচেন্নি ।

থৌজান হৈত্রবা ঐনা লম্বীদা ফমলিবা চাকনিবনা চেং খুয়া অমতংগীদমক লম্বীগী নুংজ্রেং মরক্তা তাদুনা মালেম লৈতানবু লায়না থৈদুনা চৎপা ঙম্মি । থৌজান হৈবা নহাক্না ঙমজবা খুদোল লান্দুনা থৌজানগী মগুণ উৎলরি । তৌইগুম্বসুং থৌজান হৈবা নহাকসু থৌজান খংদবা ঐহাকসু মহাক্কী মক্লব মাইথোং, অৱাবগী খুৎহাই উদুনা পুক্লিংদা নুংশিবমখৈ ঙম্মী ।

**142.** মিনুংশি হায়বসি করিনো ?

(1) অথোৎপা মীওইবগী পূকচেলৎনি

(2) মীওইবগী পূকচেলনি

(3) ওলাংথাগী লৈরাংগুম্বনি

(4) পূকচেলনি

**143.** মীনুংশিনা মীওইববু করি ওইহল্লী ?

(1) মিনুংশিনা মীওইববু কলক-য়েক্লবা অশাওবনচিংব পুন্নমক কাউদুনা লাইরৈবাক্তা পোক্লবা জীবগী মওং ওইহল্লী

(2) মসিনা কল্লকপা ওইহল্লী

(3) মসিনা নুংশিবগসু তিন্নদে

(4) মসি থম্মোয়দগী ওইরকই

**144.** কনানা কনাবু নুংশিবা ঙমবগে ?

(1) মরম লৈতনা নুংশিরুবা পোকপা ঙম্মী

(2) গুণ য়াওদবা মীবু নুংশিবা পোকপা ঙম্মী

(3) ঐবু নুংশিবা মী অদুবু ঐনা নুংশিবা ঙম্মি

(4) শক গুণ চিংবনা লৈতেংবা মী উরগা মহৌশানা পূক্লিংদা নুংশিবা পোকই

**145.** থৌজানগা মিনুংশিগা করি খেন্নবগে ?

(1) মীগী থম্মোইদা তুংদুনা লৈতে

(2) মিনুংশি চান্নবগা খেন্নৈ

(3) থৌজান্না মতম পূন্নমক্তা চেন্দবা ঈশিংগুম্না থৌজাল হৈবা মীগী থম্মোয়দা লৈ অদুগা মিনুংশি হায়বসিদি মমখ্রবা অহিংদা নোংথাংকুপ্পনা লমমাংনরবা লংফৈ চৎপা মীদা কান্নবগুম্বনি

(4) থৌজান না মতিক চাবা মীদা পাম্বোম তিংথোক্কুনা কোনবা পাম্মী

